# HUEIYEN LANPAO
## হুয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses


জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী হোলদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী ৮৫ শুবা মপোক কুমওন অমসুং ৮৪রকশুবা চহীগী মীফম হৌদোকপগী থৌরম


লামায় ১

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসননা শীন্দুনা দ্রগ এব্যুজগী মতাংদা পুলিস অমসুং মীয়ামগী ওইবা মীফম অমদি এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা


লামায় ৩

ব্রাইট রে ক্লবনা শীন্দুনা ক্রাকেৎথেল লমদোং লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা চহীসিগী ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্ভ এগজামদা মায় পাক্লকখ্রবা অফবা মহৈরোয়শিং অমসুং অফবা শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম


লামায় ৩

গ্লোবেল ওন্ট্রপ্রেন্যুর অমা ওইরিবা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী চেয়রমেন এন্দ মেনেজিং দিরেক্টর নারেংবম সমরজিৎতা নেসনল অমেরিকান য়ুনিভর্সিটিনা ডোক্তর ওফ হ্যুমেনিটিজ এৱার্দ খুৎশিন্নবা



লামায় ১

Vol. 43, Issue No.86 | নিংথৌকাবা, ইঙাগী ২২ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, June 24, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## সমরজিৎতা ডোক্তর ওফ হ্যুমেনিটিজ এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস): গ্লোবেল ওন্ট্রপ্রেন্যুর অমা ওইরিবা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী চেয়রমেন এন্দ মেনেজিং দিরেক্টর নারেংবম সমরজিৎতা নেসনল অমেরিকান য়ুনিভর্সিটিনা ডোক্তর ওফ হ্যুমেনিটিজ এৱার্দ খুৎশিন্নদুনা ঈকায় খুম্নখ্রে। *মখা লামায় ৩ কলম ৭*

# সোলিদ অমসুং প্লাষ্টিক ৱেষ্টকী মতাংদা থৌরাং কয়া পায়খৎলবসু ঈ-ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকীদি লৈঙাক্না থৌশিল অমত্তা পায়খৎপা উদ্রি

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদা সোলিদ ৱেষ্ট অমসুং প্লাষ্টিক ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা থৌরাং কয়া পায়খৎলবসু মীওইবগী হকশেলদা অমদি ইনভাইরনমেন্টতা চাওনা অকায়বা থোকহল্লকপা য়ারিবা ঈ-ৱেষ্ট (ইলেক্ট্রোনিক ৱেষ্ট) মেনেজমেন্টকী মতাংদদি লৈঙাক্না করিগুম্বা থৌশিল অমত্তা পায়খৎপা উদ্রি।

য়ুমথোঙ-য়ুমথোঙদগী পুথোরকপা ইলেক্ট্রোনিক ৱেষ্টশিং অয়াম্বনা সোলিদ ৱেষ্টকা পুন্না লংথোক্লরি। লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদসু ঈ-ৱেষ্ট কয়া অমা পৈদুনা থম্লরি। ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হাংবা ইলেক্ট্রোনিক্স দিভাইসকী সর্ভিসিং সেন্টরশিংদগীসু ইলেক্ট্রোনিক ৱেষ্টশিং চাং ৱাংনা পুথোরল্লি। অদুম্মকপু অয়াম্বা মতমদা ইলেক্ট্রোনিক ৱেষ্টশিং স্ক্রেপ দিলরশিংদা য়োল্হোকপা নৎত্রগা সোলিদ ৱেষ্ট মরক্তা হাপ্পুনা লংথোরল্লি।

চাওখৎলকপগী মতুংইন্না লাক্লিবা টেক্নোলোজি এদভান্সমেন্টকী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদগীসু ঈ-ৱেষ্ট পুথোকপগী চাং ৱাংখৎলকপগী মমি তারি। মীপূম খুদিংমক্না শীজিন্নরিবা মোবাইল ফোনদগী হৌরগা হীরম অয়াম্বদা ইলেক্ট্রোনিককী পোৎলমশিং শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলকপা অসিনসু



ঈ-ৱেষ্ট থোরকপগী চাং হেনগৎলক্লিবনি। অদুম্মকপু ঈ-ৱেষ্টশিং অসি মতৌ করম্না মীওইবগী হকচাংদা শোকহল্লোইদবা অমদি ইনভাইরনমেন্টতা কায়হল্লক্লোইদবা মওংদা মাঙহনগদগে হায়বগী মতাংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙশিংনা য়েংশিনবা ৱাৎপগুম তৌরি।

কুমজা ২০০৫ দা সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা লৈবাক অসিদগী ঈ-ৱেষ্ট টোন লাখ ১.৪৭ পুথোকই হায়না ইষ্টিমেট তৌখ্রবনি। মসিগী মতুংদা অমুক কুমজা ২০১০দনা ঈ-ৱেষ্ট পুথোকপগী চাং টোন লাখ ৮ য়ৌরে হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু কুমজা ২০১০গী মতুংদগী ঙসি ফাওবদা ঈ-ৱেষ্ট কয়া য়াম্না লৈবাক অসিদগী পুথোক্লিবগে অমদি মতৌ করম্না ঈ-ৱেষ্ট মাঙহনবগী থবক পায়খৎলিবগে হায়বগী এসেসমেন্ট তৌবা লৈত্রি।

মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (এম পি সী বি)নসু ষ্টেট অসিদগী চহী ১দা ঈ-ৱেষ্ট কয়া য়াম্না পুথোকপগে হায়বগী দাটা পুথোকপা লৈত্রি। মসিগীসু মথক্তা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা ষ্টেট অসিদগী পুথোক্লিবা ঈ-ৱেষ্টশিং অসি নীংথিনা মাঙহন্ননবগী থৌরাং থৌশিল চপ চানা পায়খৎপা লৈত্রি।

ঈ-ৱেষ্ট মাঙহনবগী থৌরাং অসি হৌজিকমক্কী ওইনদি পোৎলম অদু দিসমেন্টল তৌবা নৎত্রগা মচোই-মচোই খায়দোক্তুনা নীংথিনা মাঙহনবনা ওইরি। অদুম্মকপু ষ্টেট অসিদগী থোক্লকপা ঈ-ৱেষ্টশিংদি নীংথিনা মাঙহনবগী খূদম ফংদ্রি। য়ূমথোঙ-য়ূমথোঙদগী অমদি ইলেক্ট্রোনিককী পোৎলমশিং সর্ভিসিং তৌরিবা মফমশিংদগী থোক্লকপা ঈ-ৱেষ্টশিং স্ক্রেপ দিলরনা খোমগৎখিবা কয়া অমসু য়াওরি। অদুম্মকপু স্ক্রেপ দিলরশিংনা ইলেক্ট্রোনিককী পোৎলমশিং মাঙহনবা মতমদা পোৎলম অদুবু শাবদা শীজিন্নরকপা অখন্নবা কেমিকেলশিং অমদি মর্ক্যুরি, কেদমিয়ম অমদি লেদনচিংবগী মচাকশিং য়াওরিবা অদুনা মীওইবগী হকশেলগী লম্দা অকায়বা কয়া য়াম্না থোকহল্লক্কদগে হায়বদুদি ময়েক শেংনা খঙদে। মসিমক্না ইনভাইরনমেন্টতা অকায়বা থোকহল্লকপদা নৎতনা মীওইবগী ব্রেন অমদি লংসতা অকায়বা থোকহল্লকই অমসুং তোঙান-তোঙানবা লায়না লায়ওং কয়া ওইহল্লকপা য়াবগী অকিবা লাক্লে। মরম অসিনা ষ্টেট লৈঙাক্না ঈ-ৱেষ্ট মাঙহন্নবগী মতীক চাবা থৌশিল অমা অথুবদা পায়খৎহন্নীংবগী অপাম্বা মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্করল্লি।

## কুমজা ২০১৮-১৯দা নুপামচা ১০০০ পোকপদা নুপীমচা ৯৩১ পোকখি

ন্যু দিল্লি, জুন ২৩ (এজেন্সি) : মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টকী দেতা মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ৪ গী মনুংদা নুপীমচা পোকপগী চাং ৱাংখৎলক্লে হায়রি।

কুমজা ২০১৫-১৬তা নুপামচা ১০০০ পোকপদা নুপীমচা ৯২৩ পোকখি। কুমজা ২০১৮-১৯দদি নুপামচা ১০০০ পোকপদা নুপীমচা ৯৩১ পোক্লে। বেতি বচাও বেতি পরহাও প্রোগ্রামগী মতাংদা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্ট্রিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মিনিষ্ট্রিগী দেতা মতুং ইন্না সেক্স রেসিও এট বর্থ (এস আর বি) খ্বাইদগী ৱাংবা ষ্টেট কেরলানা ওইরি। ষ্টেট অসিদা নুপামচা ১০০০ পোকপদা নুপীমচা ৯৫৯ পোক্লি। ছটিসগরগী ওইনসু চাং অসিমক লৈরি। মিজোরাম অমসুং গোৱাদনা এস আর বি মথংশিংনা ৯৫৮ অমসুং ৯৫৪ নি। পঞ্জাবকীনা ৯০০ অমসুং লক্সদ্বিপকীনা ৮৯১ ওইদুনা লিষ্টকী মমৈদা লৈরি। এস আর বি ৱাংখৎলকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*


## HL Poll

Q: Leingak paiminnaribasinggi marakta ungkhatnaba leirakkhiba adu loishinkhre haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ___ No ___

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Nambul Turel lunalhannabagi matangda paikhatliba thourang mai pakkani khanbra?

Yes 25% No 75%


## লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংগী মরক্তা চাওনা উংখৎনখিবা তুমিন্না লৈখ্রে, ৱারোইশিন পুরকখ্রবা?

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবা লৈখিবা অদু তুমিন্না অমুক লৈনখ্রে। উংখৎনখিবশিং অদু বি জে পিগী সেন্ট্রেল লীদরশিংনা ৱারোইশিন পুরকখ্রব্রা হায়না ঙাঙনরল্লি।

দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারদগী ফাইনান্স অমসুং মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎতগী ৱর্ক্স অমদি পাৱরগী পোর্টফোলিওশিং লৌথোক্লগা চীফ মিনিষ্টরনা পায়শিনখিবদগী লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংগী মরক্তা উংখৎনবগী চাং খংৱাং ৱাংখিবনি। মদুদগী এম এল এ, মিনিষ্টরশিং দিল্লিদা থোমজিন্নদুনা সেন্ট্রেল লীদরশিংগা মথং-মথং উরনরুরবা তুংদা ইম্ফালদা হল্লকখিবদগীদি তুমিন্না লৈনখ্রে। দিল্লিদগী হল্লক্লবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংগী মরক্তা পাৱর মুন্নবগী ফীভম লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, হন্দক মিনিষ্টর বিস্বজিৎ অমসুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী মওং অমা মপান থোরকখ্রবা মতুংদা সেন্ট্রেল লীদরশিংনা মণিপুরগী লৈরিবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবা হৌরে। এম এল এ, মিনিষ্টর খরনসু লুচিংবা শীন্দোকপীয়ু হায়দুনা সেন্ট্রেল লীদরশিংদা ৱাকৎখিবা ৱাফম অদুসু লুম্না লৌরি। হন্দক নোংমা নীনিসিদা তুমিন-তুমিন্না লৈনখিবা অসিনা উংখৎনরম্বা অদু য়াশিন্নবা পুরকপদি ঙমদ্রি। সেন্ট্রেল লীদরশিংনসু লৈরিবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অসিগী মতাংদা অমগা-অমগা য়াশিন্ননবা ঈঙ্গিৎ পীরকপগী মতৌদি উবা ফংই। অদুম্মকপু করিগুম্বা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদ্রবদি সেন্ট্রেল লীদরশিংনা করি করম্বা ফিরেপ লৌরক্কদগে হায়বদুদি হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। লৈরিবা ফীভমশিং অসিগী মতাংদা খন্ননবগীদমক দিল্লিদা লৈরিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দগা সেন্ট্রেল লীদরশিংগসু অখন্ননা উনরবা য়াই হায়না পাউগী লীখুন অসিনা মখা তারল্লি।

## রেখা মীহাৎ : থৌদোক থোকফমদগী এভিদেন্স খোমজিনবা চাদা ৯০ লোয়শিল্লক্লে

### অশেংবা মীহাৎপশিংগী মশক লেপথোকপদা মতেং পাংলগনি : এক্সপর্ট

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : মমাং থাগী ২৯দা শীংজমৈ মথক থোকচোম লৈকায়দগী থোকচোম নিংঙোল নাওরেম ওংবী রেখা (৬৬)বু মশাগী ইমুংদা মীহাৎ থীনা হাৎলমখিবা থৌদোক্কী মতাংদা অকনবা ইনভেষ্টিগেসন চথরল্লিবা পুলিসকী মায়কৈদা চপ চানা খূদম চাংদমশিং পুথোক্তুনা অচৌবা মতেং পাংনবগীদমক অকনবা থবক লৌখৎলিবা ফোরেন্সিক এক্সপর্টশিংনা থৌদোক




থোকফমদগী এভিদেন্সশিংগী সেম্পল কলেক্সন তৌবগী থবক চাদা ৯০ রোম লোয়শিনখিবগা লোয়ননা অশেংবা মীহাৎপশিংগী মশক লেপথোকপদা এভিদেন্সশিং অসিনা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়বগী থাজবা ফংলে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেসকী এফ আই আর নম্বর- ৯৪ (৫) ২০১৯ অন্দর সেক্সন- ৩০২/১২০-বি/ ২০১ অমসুং ৩৪ আই পি সীগা মরী লৈননা চথরল্লিবা ইনভেষ্টিগেসনদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ফোরেন্সিক ওফিসলশিংগী মতাংদা ঙসি পাউচে অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী হায় রেঙ্কিং ফোরেন্সিক এক্সপর্ট অমগা উনরুরে।

উন্নবসিদা মহাক্না হায়, থৌদোক্তু থোকখিবগী রিপোর্ট ফংবগা পন্থদনা থৌদোক থোকফমদা ফোরেন্সিক ওফিসলশিং চঙশিনখি। নুমীৎতুদা থৌদোক থোকফমদগী কেসকী মরু ওইবা মেটরিএলশিং ওইগদবা মখল কয়াগী এভিদেন্সকী সেম্পলশিং কলেক্সন তৌখি। অদুবু থৌদোক ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

## ‘টুইসন তমদ্রবদি য়াদবগী ফীভম লাক্লে’

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস): হৌজিক্কী মতমদা মহৈরোয়শিংনা টুইসন তমদ্রবদি য়াদবগী ফীভম লাক্লে হায়না এক্স-এম পি, ডা. মৈন্যনা ঙসি মোইদাংপোত্তা লৈবা ইবুধৌ কোরৌহনবা লাইবুংদা পাঙথোকখিবা মহৈরোয়শিং মনা পীবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

সাবল কনবা লূপ, মোইদাংপোক্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডা. মৈন্যনা হায়খি, চাউখৎলকপগী মতুংইন্না কম্পিটিসনসু কনখৎলক্লে। মহৈরোয়শিংনা মতম মাঙহন্দুনা লৈবগী মহুৎতা কন্না হোৎনবা চঙই। মহৈরোয় ওইরিঙৈ মতমদা মীকুপ অমা মাঙখিবা তারবদি তুংদা নিংঙমদবা লাক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সাবল কনবা লূপকী প্রসিদেন্ট সেঞ্জম ইঙোচানা প্রসিদেন্ট ওইখি। মোইদাংপোক জি পিগী প্রধান কৈনাতোন, শান্তা ষ্টোন ক্রসরগী প্রোপ্রাইটর শান্তা, কোরৌহনবা ওইল পম্পকী প্রোপ্রাইটর রোমিওসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, য়ুথ ৱেলফেয়র ক্লব, মালোমনা শীন্দুনা মালোম তুলিয়াইমাদা লৈবা অফবা মহৈরোয়শিং মনা পীবগী থৌরম অমা ঙসি মালোম বজারদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা য়ু পি এস সীগী এগজাম ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

### থাওরোইজমদা এম দি ফরুক খান লৈখিদবগী কেস

## পুলিসনা ক্রাইম সিনগী ভিদিও ক্লিপ্পিং অমসুং ফোটোগ্রাফশিং কোর্টতা পীখৎলকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : মমাংগী কুমজা ২০১৮গী সেপ্টেম্বর ১৩গী অয়ুক অঙনবদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎসোই পুলিস ষ্টেসন মনুং চনবা থাওরোইজম অৱাং-লৈকায়দা লৈবা ফুটবোল গ্রাউন্দগী মনিং থংবা শরুক্তা গাড়ী হুরান্নবা হোৎনরম্বনি হায়বগী ৱাহৌদা মীয়ামগী মোব অমগী খুৎতা লৈখিদ্রবা লিলোং হাওরৈবী ময়াই লৈকায়দগী এম দি ফরুক খান এলিয়স ফুরকন (২৬) অপোকপা এম দি অলহাজ নসিব অলি মীশিগী মতাংদা লৌখৎখিবা কেসকা মরী লৈননা পুলিসনা থৌদোক অদুগী ক্রাইম সিনগী ভিদিও ফুটেজ (ক্লিপ্পিং) অমা, ক্লিপ্পিং অসিদগী স্ক্রিনশোট তৌদুনা লৌথোকপা ফোটোগ্রাফ নিপান কোর্টতা পীখৎলকখ্রে।

পুলিসকী মায়কৈদগী সিজ আইটেম (এগজিবিট)শিং অসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পীখৎলকখিবনি।

পুলিসনা কোর্টতা সবমিট তৌরকখিবা ভিদিও ক্লিপ্পিং অদুনা লৈখিদ্রববু মীয়ামগী মোব অদুনা ফু-চৈবা তৌরিঙৈদা রেকোর্দিং তৌহৌবগীনি। অদুগা স্ক্রিনশোটতা লৌথোক্লিবা ফোটোগ্রাফশিং অদুনা থৌদোক্তুদা চৈন্নে হায়দুনা মরাল শীবদগী পুলিসনা ফাদুনা হৌজিক ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা থম্লক্লিবা মীওইশিংগীনি হায়রি।

পুলিসকী মায়কৈদগী ভিদিও ক্লিপ্পিং অসি য়াওবা দিস্ক অমসুং কলরদা প্রিন্ট তৌরবা ফোটোগ্রাফশিং কোর্ট অসিদা পীখৎলকখ্রবা মতুংদা এক্যুজশিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## সাহিত্য পরিষদকী মপোক কুমওন অমসুং চহীগী মীফম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী ৮৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা লোয়ননা ৮৪ রকশুবা চহীগী মীফম ঙসি জে এন এম দি এগী হোলদা স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা হায়খি, জপানিজশিংনা অনীশুবা লাঞ্জাওদা লৈখিদ্রবা মপা-মপুশিংগী খোঙ্গুল লীবা লাক্লি। মসি মশাগী ফুরুপ নুংশিজবগী খুদমনি। সাহিত্য পরিষদনা হোৎনরিবা কয়া অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর কে ইবোহল অমদি বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসটকী প্রসিদেন্ট এ কে সেরামনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। সেমিনারগী সেসনদা প্রোফেসর নোংমাইথেম তোম্বীনা মোদরেটর ওইখি। মদুদা কে ধিরেন্দ্রনা চে পাখি। অনীশুবা সেসনদা প্রোফেসর জোধচন্দ্র সনসমনা মোদরেটর ওইখি। দিলিপ ময়েংবম, সৌবাম তোম্বা অমসুং ডা. এন দি হোদাম্বনা চে পাখি।

অইবা সৌবাম তোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, চাউখৎপা পুরকপদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## হোর্টিকলচর অমসুং এগ্রিকলচরগী পোখোক থম্নবা মফম মঙাদা কোল্ড ষ্টোরেজ শেমগৎলগনি : সী এম

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : হোর্টিকলচর অমসুং এগ্রিকলচরগী পোখোকশিং থম্নবগীদমক ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম মঙাদা কোল্ড ষ্টোরেজ শেমগৎলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সঙাইথেল পার্কতা নুমীৎ মঙানি চথরকপা ফেষ্টিবেল ওফ পাইনএপল এন্দ সমর ফ্রুটস লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরনা



ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

লৈঙাক্না পোখোক হেনগৎহন্নবগীদমক লৌমীশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈরে। ষ্টেট অসিদা হৌজিক পোৎলম অয়াম্বা মপান্দগী পুশিল্লক্লগা শীজিন্নরিবা মরম্না পোখোক হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। হীরম অসিগা মরী লৈননা লৌমী অমসুং ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিংদা মতেং পাংনবা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং থম্লি। লাইরিক হৈরবা নহারোলশিং অমদি লৌমীশিংদা ষ্টার্ট অপ মণিপুরগী খুথাংদা সোফ্ট লোন পীরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অনৌবা মতমগী লৌউ পথাপতা পাম্বীগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*


## Important Phone Nos.

| | | |
|---|---|---|
| RIMS | - | 2414478 |
| J.N. Hospital | - | 2450385 |
| DG Control | - | 2450100 |
| **FIRE SERVICE** | | |
| Imphal | - | 101 |
| Moirang | - | 8415925197 |
| Churachandpur | - | 8415925191 |
| Thoubal | - | 8415925203 |
| Kakching | - | 8415925194 |
| Jiribam | - | 8415925193 |
| Mayang Imphal | - | 8415925196 |
| Bishnupur | - | 8415925190 |
| Moreh | - | 8415925198 |
| Kangpokpi | - | 8415925195 |
| Ukhrul | - | 8415925205 |
| Senapati | - | 8415925199 |
| Chandel | - | 8415925192 |
| Singhat | - | 8415925201 |
| Sugnu | - | 8415925202 |
| Yairipok | - | 8415925206 |

## Today's Flights Timing (Non Stop only)

| | |
|---|---|
| IMPHAL → | BENGALURU |
| IndiGO | 10:30 |
| IMPHAL → | DELHI |
| IndiGO | 14:30 |
| Air Asia (India) | 14:40 |
| IMPHAL → | GUWAHATI |
| IndiGO | 09:45 |
| Air Asia (India) | 11:30 |
| IndiGO | 12:20 |
| IndiGO | 13:45 |
| Air India | 14:20 |
| IMPHAL → | HYDERABAD |
| IndiGO | 10:00 |
| IMPHAL → | KOLKATA |
| IndiGO | 11:00 |
| IndiGO | 14:35 |
| Air India | 15:10 |
| IndiGO | 15:30 |

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩১ °C খ্বাইদগী ঈংবা ২৩ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.৬৩ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 79.347659 |
| US Dollar | 69.652954 |
| British Pound | 88.609815 |
| Australian Dollar | 48.239061 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.138860 |
| Japanese Yen | 0.648987 |
| Malaysian Ringgit | 16.780173 |
| Australian Dollar | 48.239061 |
| Singapore Dollar | 51.386752 |
| South Korean Won | 0.060108 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.574121 |
| Thai Baht | 2.260746 |
| Myanmar Kyat | 0.04590 |
| Bangladesh Taka | 0.82414 |

## Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 34855.61 |
| Mumbai | – | Rs | 35508.02 |
| Delhi | – | Rs | 35614.97 |
| Kolkata | – | Rs | 35882.35 |


গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

## অস! লোইরেহে!

- ঐনা হন্দক থারম্বা উ চারা ৬০০তু কমদৌরি...!




- সার, ষণনা য়াম্না পাম্না চাখ্রে, অমত্তা হৌদ্রে, মথং অমুক থারসি...!




HL-P/4134/7/5-5/6


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫